ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯸, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯱꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, ওক্টোবর ২৮, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২১৩শুবা মশীং

# মেরা-হৌচোংবা লাকপদা

## খাইবুং তান্নবগী ৱাখল থাদোক্লসি, নুংশি-চান্ননা লৈরসি

মালেম অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরূপশিংগী ওইবা কুম্মৈ কয়া লৈবগুম মণিপুরীশিংগীসু তোঙান-তোঙানবা মখলগী হরাও-কুম্মৈ কয়ামরুম লৈ। কুম্মৈ খুদিংদা কাঙলুপ খূদিংমক্না শরুক য়ামিন্নজরবসু পাঙথোক্লিবা কুম্মৈ অদুদি অককনবা ফুরূপশিংগীনি। খুদম ওইনা হায়রবদা মীতৈশিংগী নিংঙোল চাক্কৌবা, শজিবু চৈরাওবা পনবা য়াই। চিন-মিজো-কুকি কাঙলুপকী ওইনা চবাং কুট, কবুইগী গানঙাই, নাগাশিংগী ওইনা লুইঙাইনি অমদি নাগা ফুরূপশিংগী মনুঙ চল্লি হায়জবা কাঙলুপ খুদিংমক্কী তোখায় তোখায়বা নাৎকী ওইবা কুম্মৈশিং লৈ। মণিপুরদি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংনা তুংদা থোক্লগদবা থৌদোক ৱাথোকশিং পূন্নমক উশিন্দুনা তোখায় তোখায়বা ৱাখল্লোননা মাঙদা থারদা থবক তৌনরিবা চীঙবুরোয় তম্বুরোয়শিং নকশিন্নবা মরী শাগৎপা য়ানবগীদমক চীঙমী তম্মীগী ওইবা ফজরবা কুম্মৈ অমা থল্লম্মী। অসিগুম্বা মখলগী কুম্মৈ অসি চহী খুদিংগী মেরাগী থানিল (পুর্নিমা) নুমিত্তা পাঙথোকপা মেরা-হৌচোংবগী থৌরম অসিনি। চহী অসিগী মেরা হৌচোংবা অসি লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১, থাংজ নুমীৎতা পাঙথোক্কদৌরি। থৌরম অসি চীঙবুরোয় তম্বুরোয়শিংগী ওইবা অমত্তা ঙায়রবা কুম্মৈনি। মরম অদুনা চীঙ অমসুং তমদা খুন্দারিবা মচিল মনাও ওইবশিংনা থৌরম অসি মপুং ফানা শরুক য়ামিন্নবা মথৌ তাই। চীঙবুরোয় তম্বুরোয় অনীগী কুম্মৈনি হায়বা অসি কাঙলূপ খুদিংমক্কী ৱাখল্লোনদা চুহনবা ঙল্লবা মতমদা খাইবুং তানবগী ৱাখল্লোন লাপ্না চৎখিগনি। নাগা ফুরূপশিংগী মনুঙ চল্লিবা কাঙলূপ কয়াদি মীতৈশিংগা মচিল-মনাও ওইনা লৈমীন্নরকই হায়না অরিবা লাইরিকশিং অমসুং অনৌবা লাইরিকশিংদা ফংই। চীঙদা খুন্দারিবা চীঙমীশিংনা ময়াম্বনি, তমদা খুন্দারিবা কাঙবুনা মনাওনি হায়দুনা লাইওইখ্রবা অহলশিংনা ফোঙদোক্লমই। হায়রিবা ৱাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা মেরা-হাওচোংবা নৎত্রগা মেরা-হৌচোংবা হায়না মিং থোন্দুনা কুম্মৈ অসি পাঙথোক্লরকখি। নিংথৌ পাল্লিঙৈ হাক্তক্তগী পাঙথোক্লরকপা কুম্মৈ অসি হিন্দু লাইনিং লাকপদগী শাংলবা চহী কয়ামরুম পাঙথোকপা লেপ্লুরে। অদুবু মেরা-থাউমৈ থানবা হায়বা থৌরম অসিদি লাইশোন তিনশোল নৎত্রগা লান্না থাজহনবা ৱাখল্লোন পীরম্লবসু মুৎপা লৈতনা পাঙথোক্তুনা লাকই। হৌজিক্তি মশাগী অশেংবা শক্তম মশক খঙনা হিংনিংবা মীওই কাঙবু কয়া থোরক্তুনা মেরা-হৌচোংবগী থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোক্লুরে। মতম অমদা চৎনরম্বা খরা পনবা তারবদি মেরা-হৌচোংবগী থৌরম য়াওননবগীদমক চীঙদা খুন্দাখ্রবা ময়াম্বা ওইবা চীংমীশিংনা কুম অদুগী অনৌ-অপেৎশিং পুদুনা মনাও ওইরিবা মীতৈশিংনা লৈরিবা তম্পাক লমদা কুমথরকই। মখোয়না পুরকপা অনৌ-অপেৎশিং অদু মনাওশিংদা খুদোল ওইনা পী। মনাও ওইবশিংনসু ময়াম্বশিংদা লৈজা লৈজবা পোৎলমশিং পীদুনা অমনা অমদা খুদোল তৗ্নে।

নিংথৌনা কংলামেন তোংবা, তম্পাক লমদা মনাওনুপা ওইরিবা মীতৈশিং অতেক-অকায় য়াওদনা হিংলি হায়বদু অতোংবদা লৈখিবা ময়াম্বশিংনা উজরগা খঙনবা মেরা থাউমৈ চুখৎতুনা অৱাংবা ৱাদা য়ানখৎতুনা চিংখৎলি। তম্পাক লমদা কুমদুনা মনাওনুপা ওইরিবা মীতৈবু উনবা চৎপগী খুদোংচাবা ফংদ্রবা চীংমীশিংনা মৈঙাল অদু উজবদা মনাও করিসু থোয়না তৌদে হায়বা খঙজবা ঙম্মী। মতমদুদা নিংথৌনা চীংদগী লাকপা ময়াম্বশিংবু তরাম্না ওকই। মখোয়না চানিংবা, থক্লিংবা পীজ-পীথক তৌই। মখোয়না খুল্লক্তা চৎপদা অপাম্বা পোৎ অমা হেক উবদা পীয়ু হায়বদা পীদবা য়াদে হায়না নিংথৌনা লাউথোকই। নিংথৌগী চৈরাক কিবনা চীংমীশিংনা অপাম্বা পোৎ পুখিবদা করিসু হায়নদে। মেরা থানিল নুমিৎতা চীংমীশিংনা পুরকপা পোৎলমশিং নিংথৌ, ফম্ন ৷ইবা অমদি অতৈ মীওই কয়াদা খুদোল তম্মী। নুংশিনা লেঙ্গৌন্নৈ। অসিগুম্বা চীংবুরোয় তম্বুরোয় অনীগী মরক্তা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী ফজরবা কুম্মৈ অসি হেন্না মশক থোক্লা পাঙথোক্লনবা মণিপুর গভর্নমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙগদবনি। মণিপুর থুগায়রগা নাগাগী লৈবাক অমা শেমগনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং আই এমগী মরক্তা শান্নরিবা ৱারীগী ৱারোইশিন পুরক্লমদাই য়ৌরক্লবনি। মণিপুরগী অপুনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাউ কাঙবু খরখক্কী ওইনা তৌরিবা অসি চীঙমীশিংসু য়াওশিলহন্দুনা ঐখোয় মণিপুরগীদমক শিগনি হায়বা খোল্লাউ লাকহনগদবনি। চীংদা খুন্দারিবা চীংমী কয়ামরুম্না মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম অমদি ঙমখৈ থুগায়বা পামদে হায়বা খঙই। অদুবু মখোয়দা পামদে হায়বা ৱাফম অদু মনিং তম্না ফোঙদোকচবা ঙম্বগী হক অদুদি নোংমৈ চিন্দোলদা ফাজিল্লগা থম্বগী মমি তারি। মসিদা মণিপুর গভর্নমেন্টতি তুমিন্না লৈশিনবগুম্না তৌরি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা মেরা-হৌচোংবগী থৌরম পাঙথোকপা হায়বসি অফবা তানফমনি। লাইওইখ্রবা অহল লমনশিংনা থম্বীরম্বা চীংবুরোয় তম্বুরোয়গী অমত্তা ঙায়রবা কুম্মৈ অসি লাকপদা খাইবুং তান্নবগী ৱাখল থাদোক্লসি। ঐখোয় খূদিংমক নুংশি-চান্ননা লৈরসি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪

১) (ক) *"কয়াম ৱাৎলি লমদমদো, কয়াম ৱাৎলি য়ৌরনিদা লাপ্তুরে, মাঙদা চখৎলু মাঙদা চখৎলু"*

(খ) *"অনৌবা যুগকী অনৌবা আশা পুদুনা লাক্লো নহারোল লাক্লো নহারোল"*

ঈশৈ অনীসি গ্রুপ শকমিন্নবা ঈশৈগী ইহান হানবা গ্রামোফোন রেকোর্দ লৌখিবা (মনিং মমায় ওইবা) ঈশৈনি হায়না রেকোর্দ তৌরিবা শক্লাইরবা শৈশকপা অমগী ওটোবাইওগ্রাফিদু মমিং করি কৌই অমসুং অইবদুনা কনানো?

২) *"কনাগী লৈকোলদা শাৎপীনো করম্বা মালিগী খূৎশেমনো"* মীয়াম্না য়াম্না পাম্ননা তানরবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসিগী শৈরেংবসি কনানো?

৩) শক্লাইরবা এদুকেসনিষ্ট অমসুং লুচিংবা অমনা ইরম্বা অমসুং মশা লৈখিদ্রবা তুংদা ফোঙবা নোভেল অমগী মমিংনি 'পীশুন্লৈ' হায়বসি। অইবসি কনানো?

৪) "হরাওজখিবা অমনা ভোইস ওফ অমেরিকাগী কাঙবু লাক্লগা লাই হরাওবগী ঈশৈ তোম্বীনৌগী খোঞ্জেলদা লৌরগা শন্দোকখিবদো। মদুনা ভোইস ওফ অমেরিকাগী ইন্দিয়াগী থৌরম হৌদোক্লে হায়রিবনি" মমিং চৎলবা লমকোয় ৱারী অমদৈ লৌথোরকপনি। করি লাইরিকনো, কনানা ইবনো মমিংশিং হায়য়ু।


৫) পঞ্জাবী অইবা কর্ত্তারসিং দুগ্গলগী ৱারী মচাগী খোমজিনবা লাইরিক 'ইক সিট চান্নন দি' হায়বসিবু 'থাবলগী চৈনা' হায়না মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা ত্রান্সলেটর অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অচম্বা সোফ্টৱেয়রনা কমপ্লেক্স ওইরবা উগী উচলশিং শেম্বা য়োৎপী থাবা, গম নৎত্রগা নট অমসুং বোল্টকী মথৌ তাদ্রবা

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**



a) I-axial
b) I-perpendicular*
c) L-axial
d) L-perpendicular*
e) T-axial
f) T-perpendicular*
g. X-perpendicular

(a-g) Tsugite দা উকক অনিবু শমজিন্নহনবগী তোঙান-তোঙানবা মওং তরেৎ

উ হায়বসি ফজবা অমসুং অকোয়বগী ফীভমগী য়েংলুরগা য়ূম-কৈ, উপু-কাংথোল অমসুং অতৈ লৈতেংগী পোৎশিং শাবদা পাম্নবা পোৎশক অমা ওইরি। অসিগুম্বা পোৎশিংসি শাবদা চয়েৎ-খোয়েৎনবা ষ্ট্রকচরশিং অমসুং তোঙান-তোঙানবা পার্টশিং শমজিন্নবগী মথৌ তাই। য়ুনিভর্সিটি ওফ টোকিওগী দিপার্টমেন্ট ওফ ক্রিএটিভ ইনফোর্মেটিক্সকী থিজিল্লোইশিংনা থ্রী-দি দিজাইন এপ্লিকেসন অমা শেমদুনা দিজাইন তৌবগী থৌওংবু য়াম্না চমথোকহনবা ঙম্বগা লোয়নননা, দিজাইন তৌরবা পার্টশিংবু য়াম্না ফীভম চেৎনা পুথোক্লবগীদমক, মেছিন্দা পীরকপা ইন্সত্রক্সনশিংসু এপ্লিকেসন অসিনা পীবা ঙম্মী। অসুম্না দিজাইন তৌরগা পুথোরকপা দিজাইনশিংদা য়োৎপী নৎত্রগা গম/গ্লুগী মথৌ তাদে। মরম অসিনা, সিষ্টম অসিগী পোৎশিংদু ইরায় লায়না পানখৎপা, শিদোকপা, অমুক হন্না শীজিন্নবা, অনৌবনা মহুৎ শিন্দোকপা নৎত্রগা রিসাইকল তৌবা য়াই। মসিবু মখোয়না 'Tsugite' (ৱাহন্থোক্লা joinery হায়বা জপান ৱাহৈ) কৌই।

Tsugite অসিগী মতেংনা হান্ননা কারপেন্টরি নৎত্রগা থ্রী-দিগী লৌশিং গ্যান লৈতবা নৎত্রগা খরদং লৈবা মীশিংনফাওবা মিনট খরগী মনুংদা ফজরবা দিজাইন কয়ামুক শেম্বা ঙম্মী। দিজাইনশিং অসিনা তৌরকপা য়াথংশিং ইন্দুনা মেছিনশিংনা চংগদবা পার্টশিংদু, উচলশিংগা লোয়নননা ককই অমসুং শীজিন্নরিবা মী অদুনা মোনিটরগী স্ক্রীন্দা পীরকপা য়াথংশিং ইন্দুনা য়োৎপী অমসুং গম য়াওদনা পানখৎপা য়াই। থিজিনবসিদা শরুক য়াখিবা **মরিয়া লারসন**না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, Tsugite না শীজিন্নরিবা মী অদুদা, মতম অমদা ষ্টেপ অমখক্তমক তাকই, অসুম্না হান্না লৈরম্বা দিজাইনশিংদগী হৌরগা তোঙান-তোঙানবা লম্শিংদা শীজিন্ননবগীদমক শেমদোক-শাদোক্লবা ষ্টেপ কয়ামুক পাঙথোকহল্লি। হেন্না খূৎলোইরবা মীশিংনদি মেন্যুল এদিটিং মোদতা অদুম চঙলগা থবকশিংসি পাঙথোকপা ঙম্মী।

Tsugite থ্রী-দি পিক্সেলশিং ওইরিবা, 'ভোক্সেল' হায়না খঙনবা উচলশিংদু অপিকপা ক্যুবশিংগী মওংদা মমুৎ তানা তাকই। ভোক্সেলশিং অসি শমজিন্নগদবা অতোপ্পা পার্ট অদুগী উচলগী মচিন অমদা উংবা য়াই; মসিনা পার্ট অনীদুগী মচিনশিংগী ভোক্সেলশিংদু মরোমদোম য়াম্না চেৎনা ফাজিন্নখি। অদুনা য়োৎপী নৎত্রগা গমগী মথৌ তাহন্দে। পার্ট অনী নৎত্রগা অনীদগী হেন্না শমজিন্নহনবা য়াই অমসুং সোফ্টৱেয়র অলগোরিদম্না পূম্নমক্তু শমজিন্নহল্লি। তোঙান-তোঙানবা মচুশিংনা, শীজিন্নরিবা মীদুদা কয়ামুক লায়না ইস্থোক-ইনশিন য়াবা নৎত্রগা শোল্লপ তৌবা, তেল্লকপা য়াবা মফমশিংগুম্বা উচলশিং/শমজিন্নফমশিংগী মগুনশিংসু তাকই।




শীজিন্নরিবা মীশিংদা দিজাইন ওপসনশিং পীরিবা Tsugite গী ইন্টরফেস

পার্টশিংবু শমজিন্নহনবগী জিওমেট্রিগী তোঙান-তোঙানবা মওংশিংবু মোদেল করম্না তৌগদবগে হায়বগী মতাংদা কম্প্যুটর গ্রাফিক্সকী লম্‌সিদা য়াম্না কন্না থিজিনখিবা খরা লৈখ্রে। অদুবু অদুগুম্বা থৌরাংশিংদু শেমগৎ-শাগৎপা অমসুং মচাক-মথুমশিংগী মগুনশিংগী মতাংদা খন্নরগা থবক ওইনা পাঙথোরকপদদি অপনবা ওইদুনা লৈরি হায়না লারসননা হায়রি। অতোপ্পা অমরোমদনা, ষ্ট্রকচরেল এঞ্জিনিয়রিং অমসুং অর্কিটেকচরগী লম্‌দা থিজিল্লিবা অসিসু হীরমসিগা মরী লৈননা য়াম্নমক মপূং ফারবসু, মখোয়সি অককনবা শমজিন্নফম (জোইন্ট) খরখক্তুদা পানশিনবা য়ারি। অদুবু Tsugite নদি শমজিন্নফম মখল-মখা কয়া অমা পুথোরক্লি অমসুং মখোয়বু থবক ওইনা পাঙথোরকপদসু ওইথোকহল্লি।

ফেব্রিকেসন তৌবগী খুদোংচাদবশিংবু দিজাইন প্রোসেস অমদা পুনশিল্লকপগী অতোপ্পা খুদোংচাবা অমনা Tsugite গী লৈরিবা অলগোরিদমশিংনা, শীজিন্নরিবা মীদুনা পাঙথোকপা ঙম্বা তোঙান-তোঙানবা ওইথোকপা য়াবশিংদু মতম চঙহন্দনা নেভিগেট তৌবা ঙম্বাঅসিনি। মরমদি থবক ওইনা পাঙথোকপদা ওইথোকপা য়ারোইদবশিংদু ওপসনশিং ওইনা পীদে। থিজিল্লোয়শিংনা মখা তানা শেমদোক-শেমজিন অমসুং ফগৎহল্লবা মতুংদা Tsugite না ফর্নিচর অমসুং অপিকপা ষ্ট্রকচরশিংখক্তা নত্তনা, চাউরবা বিল্ডিং অমবুসু দিজাইন তৌবা ঙমহল্লগনি হায়রি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মতুংইন্না, বিল্ডিং অমসুং কন্সত্রক্সন ইন্দষ্ট্রিনা মালেমদা কার্বন দাইওক্সাইদ ৪০% মুক থাদোকহল্লকই হায়না পাউদমলি। উ হায়বসি মহৌশাখক্কী পোখোক ওইবদা নত্তনা রিন্যুৱেবল ওইবা বিল্ডিং মেটরিএল অমসুনি। মতিক চারবা জোইনরি (উচলশিং) না সষ্টেনেবিলিটি ওইবা কান্নবশিংসি ফংহল্লি হায়না লারসননা ফোঙদোক্লি। টিম্বরশিংবু উচলশিংনা শমজিন্নহনবা মতমদা, ধাতুগী পোৎলমশিং য়াওহন্দবা অসিনা এল্লোয়শিং শেম্বগী মচাকশিং হন্থহল্লি। মসিনা রিসাইক্লিং তৌবদসু হেন্না খুদোং চাহল্লি। গম/গ্লুনা শমজিন্নহন্দবা অসিনা বিল্ডিংগী পার্টশিংদু অতেক-অকায় য়াওহন্দনা অমুক হন্না শিদোকপগী খুদোংচাবসু লৈ। অদুনা কনাগুম্বা অমনা শাখিবা য়ূম অদু শিদোক্লগা অমুক হন্না অতোপ্পা মফম অমদা শাগৎপা য়াহল্লি। অদুগা করিগুম্বা পার্ট অমদা শুমগুম্বা চাক্লক্তুনা শিন্দোকপদসু অরুবা অমা ওইহন্দে। অদুনা মখোয়না পুথোরক্লিবা Tsugite অসিনা উগী সষ্টেনেবিলিটি ওইবা কান্নবশিং হেনগৎহনবা ঙম্লগনি হায়না মহাক্না থাজবা থল্লি। ●

# ওলিম্পিক্কী অহানবা ভোল্লিবোল - ১

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

হৌজিক মালেমগী মফম খুদিংমক্তা কোভিদ-১৯গী লায়না অসিনা নোংম-নোংমগী মী শিহনবগী চাং অসি হন্থরকপা নত্তে। মরম অসিনা কুমজা অসিদা হায়বদি ২০২০গী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা টোকিওদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ৩২শুবা ওলিম্পিক গেমস অদু চহী অমা চপ চানা য়ৈথোক্তুনা মথংগী চহী ২০২১দা পাঙথোক্লগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে। মরম অসিনা মথং চহীগী নুমিৎশিং হায়বদি জুলাই অমসুং ওগষ্ট থা ফাওবা নুমিৎ ১৭নি চূপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মালেমদা লাক্লা ফানবা ঙমদ্রবা নৌরিবা নহারোল খক্তা নত্তনা অহল ওইশিল্লক্লবা এথলিটশিংসু গেমস অসিদা শরুক য়ানবগীদমক শেম শাদুনা মাগী-মাগী লৈবাক্তা অমুক হন্না কোচিং অমসুং ত্রেনিং পাঙথোকপা হৌখ্রে। মরম অদুনা মথং চহী (২০২১) গী ওলিম্পিক গেমস অসি হেক পাঙথোকখিবগা লোয়নননা পেরালিম্পিক গেমশিংসু হান্নগী প্রোগ্রাম মতুংইন্না ওগষ্ট ২৪দগী সেপ্টেম্বর ৫ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। পেরালিম্পিক হায়না খঙনবা হকচাংগী শরুক খরদা শোয়নাইরবা এথলিটশিং হায়বদি খোঙ য়াওদ্রবা, খূৎ য়াওদ্রবা, হৌগৎতুনা চৎপা ঙমদ্রবা তৌইগুম্বসুং মাগী মাগী তোঙান তোঙানবা হকচাংগী শরুক্তা অশোয়বা লৈখ্রবসু মখোয়না খূৎলোয়বা মশান্না অমদা শরুক য়ানবা শাজেল তৌদুনা অথোয় অহেন তান্নবদা শরুক য়াদুনা মখোয়গী মপাঙ্গল মথৌনা উৎথোকপা ঙম্নবা ইন্টরনেসনল পেরালিম্পিক কম্মিটিনা চহী মরি/মরি লৈরগা পাঙথোকপা শান্ন-খোৎনবগী থৌরম অসিদা থোইদোক হেন্দোকপা শান্নরোয় কয়ামুক শরুক য়াগদৌরি।

টোকিও ওলিম্পিক অমসুং পেরালিম্পিক ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা গেমস অসি মতম চানা পাঙথোক্লবা কুমজা ২০২০গী গেমস ফাউন্দেসন প্লান অদু ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি অমসুং ইন্টরনেসনল পেরালিম্পিক কম্মিটিদা শিন্নখ্রে।

কুমজা ১৯৬৪দা এসিয়াদা অহানবা ওইনা ওলিম্পিক গেমস অসি টোকিওদা পাঙথোকখি। লৈবাক অসিগী সহর হিরোসিমা অমসুং নাগাসকিদা এটোম বোম থাদদুনা মীওই কয়ামুক হাৎখিবা খক্তা নত্তনা বোমদগী থোরকপা ফত্তবা মনিলনা নুংশিৎতা তিনখিবা শাথীরবা গ্যাসশিং অদুনা মীওই কয়ামুক্তা মখল মখা কয়াগী লায়না কয়ামুক থোকহন্দুনা মীওই কয়ামুক তপ্না তপ্না শিখি।

গেমস অসি এটোম বোম থাদখিবা মতুং চহী ১৯ লৈরগা পাঙথোকখিবনি। মসিনা তাকপদি জপান মচাশিং অসি মমা লৈবাক্কীদমক থবক কন্না শূবা, মরৈবাক্কীদমক মথৌনা লৈনা শূবা-নোম্বা কনবা, থকসি-খাসি ঙাক্লা চৎপা ফুরুপনি। হৌজিক ফাওবদা এসিয়াগী মনুংদা জপান, খা কোরিয়া অমসুং চাইনা নত্তনা কনাগুম্বা লৈবাক অমত্তনা ওলিম্পিক গেমস অমত্তা য়ূম্বু ওইবা ঙমদে। খুদম ওইনা ইন্দিয়ানা ওলিম্পিক্কী য়ূম্বু ওইজগে হায়না চে থাবদা আই ও সীনা মখা তানা ৱা লৌখিদে।

টোকিওদা গেমস অসি পাঙথোকখিবা মতমদা খা অফ্রিকা অসি গেমস অদুদা শরুক য়াহনখিদে। মরমদি মতম অদুগী খা অফ্রিকাগী লৈঙাক অদু অঙৌবাা ফুরুপ্পা পায়রম্মী। অঙৌবশিংগী মী মশীং য়ামদে। মখোয়না কুচু মুবা লম অদুগী মীওইশিংবু থীনা তৌবী। মখোয়বু শোক্লবা য়াদবা অমাংবা মীগুম্না শা-ঙাদা চৎকদবা শাজৎ চৎলম্মী। মসিবু এপার্থাইদ হায়না খঙনরম্মী। অসিগুম্বা চৎনবী লৈবা, মীওইববু হন্থনা তৌবা লৈবাক অদুগী চৎনবী অদু ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী চৎনবীগী ৱাংমদগী ওলিম্পিক অসি তৌগদবা চহী অনীগী মমাঙ কুমজা ১৯৬২দা ইন্দোনেসিয়াগী জকারটাদা এসিয়ন গেমস পাঙথোকখিবদা ইজরেল অমসুং টাইৱানবু শরুক য়াহনখিদে। মরম অদুনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা ইন্দোনেসিয়াবু সস্পেন্দ তৌখি। অদুনা লৈবাক অসিসু গেমস অসি য়াওহনখিদে। মতৌ অসুম্না লমহেনবা অৱাং কোরিয়াসু চৈরাক অসিমক ফংখি।




ভোল্লিবোল অমসুং জুদো মশান্না অনী অসি ওলিম্পিক অসিদা অহানবা ওইনা য়াওহনখি। নুপাগী ভোল্লিবোলদা অহানবা ওইনা টিম ১০ খক শরুক য়াহনখি। রাউন্দ রোবিনগী চৎনবীদা টিম খুদিংমক অমগা অমগা মায়োক্লদুনা শান্নহনবদা সোভিয়েট লৈবাক্লা মেচ ৯ শান্নবদা মেচ ৮ থোইখি। মহাক্লা অকনবা লম্বা তৌবা জে কোস্লোভাকিয়াসু মেচ ৯ শান্নবদা মেচ ৮ থোইখি। অদুবু মতম অদুগী চৎনবী মতুংইন্না ফোর এন্দ এগেনষ্টকী ৱায়েলদা য়ু এস এস আরদা সনাগী মেদল পীখি। য়ু এস এস আর হায়না খঙনবা সোভিয়েট লৈবাক অসিবু জপান্না মায়থীবা পীরম্মী। অদুবু মখোয়না জে কোস্লোভাকিয়াবু ১৫-৯, ১৫-৮, ৫-১৫, ১০-১৫, ১৫-৭তা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। জপান্না অহুমশুবা মনা ফংখি।

নুপীগী ভোল্লিবোলদা লৈবাক তরুকখক্তমক শরুক য়াখিবদা জপানগী নুপীশিংনা মেচ মঙা শান্নবদা মঙাকম থোইখি। সোভিয়েট লৈবাক্লা মঙা শান্নবদা অমা পোখি। মরম অদুনা অনীশুবা তাখি।

নুপীগী ভোল্লিবোলদা টিম তরুক্লা শরুক য়াগদবনি। অদুবু ওলিম্পিক অসি হৌরমদাইদা অৱাং কোরিয়াগী টিম পূম্বা পোলিটিক্সনা মরম ওইদুনা ওলিম্পিক য়াওদনা ৱিথদ্রো তৌদুনা ময়ূমদা হনখি। মরম অদুনা টিম তরুক শুনবা জপান্না খা কোরিয়াদা নুপীগী ভোল্লিবোল টিম অমা থাবীরক্লবা হায়জদুনা জপানগী শেল (য়েন) লাখ ১০ খুদক্তা থাখিদুনা টিম অমা টোকিওদা লাকখি। জপান অমসুং সোভিয়েট লৈবাক্লা ফাইনেল শান্নবদা জপান্না মায় পাকখি। ●